HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur

Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)




হোটেল ক্লাসিক গ্রান্দেদা নুমিৎ নীনি চথংদবা ষ্টেট লেভেল ৱার্কশোপ হৌদোকপগী থৌরমদা লৈঙাক্কী হেল্থ সর্ভিসেস লোয়শঙগী দিরেক্টর ডা. এন হেমন্তকুমারদা অচম্বা খুদোল পীদুনা ইকায়খুম্নখিবা


লৌশিং পূক্কে : বি পি কন্ত্রোল তৌনবা হীদাক... ☛ লামায় ২
লামায় ৪ ☛ কুকি টেন এম এল এ রিজিগনেশন ড্রামা!
চৎনরোলসু ওইসনু চৎন-পথাপনি হায়গেরা... ☛ লামায় ৫
লামায় ৬ ☛ ঙসিদি অনা-লায়েংদা চঙলিবা শেল খূৎচঙ...
মশক মমিং খঙদবা মীওইশিং পোলিটিকেল পার্টিশিংদা... ☛ লামায় ৯
লামায় ১২ ☛ ইন্টরনেশনল পোলোঃ য়ু এস এ পোলো...


ওড়িষাগী ভুবনেশ্বরদা পাঙথোকপা ৪৬শুবা নেশনল কনফরেন্স-২০২৫দা রিমসকী দিপার্টমেন্ট ওফ পেদিয়াত্রিক এন্দ প্রিভেন্টিভ দেন্টিষ্ট্রিগী হেদ এসোসিএট প্রোফেসর ডা. ৱাইরোকপম ভুমিকাদা ইন্সটিট্যুট অসিগী এৱার্দ ২ খূৎশিন্নবা




Vol. 49, Issue No. 231 | লৈবাকপোকপা, পোইনুগী ৫নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Tuesday, November 25, 2025, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50


### মশাগী ময়ূমদা হঞ্জিনজগে হায়বা আই দি পিশিংগী খোঙজং হন্দ্রি

# ইকৌ, দোলাইথাবী, সদু য়েংখুমানগী আই দি পিশিং ময়ূম তম্না চঙশিল্লকপদা সিক্যুরিটিগা মূক্নবদগী ৪ শোক্লে

**ইম্ফাল, নবেম্বর ২৪ (ঐচএনএস) :**

মণিপুরগী পি আর লৈঙাক্তা আই দি পিশিংনা মখোয়বু মশাগী ময়ূমদা হান্না হঞ্জিলহল্লবা অমসুং হায়ৱেশিংদা ফ্রী মুভমেন্ট তৌহল্লবা মতুংদা মণিপুর সঙাই ফেষ্টিবেল পাঙথোকপীয়ু হায়জবদা তাবীদদুনা ফেষ্টিবেল অসি থা অসিগী ২১দগী হৌঙাক্লা ঙম্মী মতাগুম নমদুনা পাঙথোরকপদগী আই দি পিশিংনা ফেষ্টিবেল পাঙথোক্লবনিনা ঈং-তপ্পা হঞ্জিল্লে হায়বনি হায়না লৌরদুনা মখোয়বু ময়ূমদা চঙহনবীরো হায়দুনা চঙশিন্নরকপা খোঙজং লেপত্রি।

নুমিৎ খরনিগী মমাঙদসু চূড়াচান্দপুর অমসুং তোর্বুং বাংলাদগী লাঞ্জেল্লক্তুনা ক্রাক্তাগী সেরিকলচর কমপ্লেক্সতা শাবা প্রি-ফেব্রিকেটেদ হাউসশিংদা চঙজফম লৌরক্লিবা আই দি পিশিংনা মখোয়গী মরমদা হঞ্জিনজরগে হায়দুনা চঙশিল্লকপদা ফৌগাকচাও ইখাইদা ষ্টেট অমসুং সেন্ত্রেল ফোর্সশিংনা থৎপদগী নাকল অনীগী মরক্তা চাউনা মুক্নরক্তুনা অশোক অপন য়াওখ্রবনি।



ঙসিসু চহী অনী মখায় হেন্না লান অসিনা মরম ওইরদুনা লাঞ্জেল্লক্তুনা রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবা ইকৌ, দোলাইথাবী অমসুং সদু য়েংখুমানগী আই দি পিশিংনা মশাগী ময়ূমদা হঞ্জিনজরগে হায়দুনা চৎপা হৌরকপদা পুলিস অমসুং সেন্ত্রেল ফোর্সনা টিয়র গ্যাস সেলনচিংবা কাপ্পুনা তানখায়নবা হোৎনবদা মীওই ৪ শোক্তুনা লায়কন্নখ্রে।

থৌদোক অসি ঙসি অয়ূক পুং ১০.৩০ রোম তারকপদা থোকখিবনি। শজিৱা অমসুং শওঙ্কুং রিলিফ কেম্পতা ...মখা লমায় ৬ কলম ১

# মণিপুর সঙাই ফেষ্টিবেলগী ৪নি চনবা নুমিৎতসু খুন্তাক লানশিখ্রে শুমাং লীলা ৩ উৎকদবদা ২ লাকখিদ্রে, য়েংবীনবা য়ামখিদ্রে

**ইম্ফাল, নবেম্বর ২৪ (ঐচএনএস) :** গভর্ণরএ কে ভল্লানা থা অসিগী ২১গী নুংথিলদা মণিপুর সঙাই ফেষ্টিবেল-২০২৫গী মেন ভেন্যু ওইরিবা হাপ্তা কাংজেবুংদা ফেষ্টিবেল অসি হৌদোকখ্রবসু মসিগী মায়োক্তা কোকোমি, অতৈ লূপশিং অমসুং মরু ওইনা আই দি পিশিংনা বোইকোট তৌরকপগা লোয়ননা য়ানীংদবা ফোঙদোকপা খোঙজং কয়া মথং-মথং চঙশিল্লকপদগী ফেষ্টিবেল অসি হৌরকপা নুমিৎতগী হৌরদুনা ঙসি মরিনি চনবা নুমিৎ ফাওবদা হাপ্তা কাংজেবুংদা ফেষ্টিবেল অসি য়েংবা ইরাক লাক্লখিদবদগী ঙসিসু খুন্তাক লানশিখি।



মণিপুর সঙাই ফেষ্টিবেল-২০২৫গী ঙরাং মরিনি চনবা নুমিৎতা বোটতা পাঙথোকখিবা কলচরেল প্রোগ্রামদা য়েংননবা মী খুন্তাক লানশিখিবা (ফোটো : হেমচান্দ নিংথৌজম)

ফেষ্টিবেল অসিগী ভেন্যু অমা ওইরিবা হাপ্তা কাংজেবুংগী হেক মনীং থংবদা লৈরিবা টি ঐচ ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেনদা হন্দক্কী ফেষ্টিবেল অসিগী মনুং চন্না নীনি চনবা নুমিৎ নবেম্বর ২২দগী হৌরক্লগা পূন্না লীলা কাঙলূপ ১৬না মখোয়-মখোয়গী প্লেশিং নোংমদা ২/২ উৎকদবনি। অপূনবা লীলা কাঙলূপ ১৬ অসিগী মনুংদা ৮না নুপী লীলা কাঙলূপকীনি অদুগা অতোপ্পা ৮না নুপা লীলা কাঙলূপশিংগীনি।

শঙলেন অসিদা ফেষ্টিবেল অসিগী মনুং চন্না থা অসিগী ২২দা পীস মেক্কর আর্টিষ্ট এসোসিএশনগী লীলা অমা উৎকদবনি অদুবু লীলা কাঙলূপ অসি লাকখিদবদগী উৎখিদে।

লীলা অসি করি মরমগীদমক উৎখিদবনো হায়না পাউচে অসিনা মণিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সিলগী থৌপুবা অমদা হংলুবদা লীলা কাঙলূপ অসিগী প্রসিদেন্টগী ...মখা লমায় ৩ কলম ২

### জষ্টিস সূর্য্য কান্টনা ৫৩শুবা চীফ জষ্টিস ওইরে



**ইম্ফাল, নবেম্বর ২৪ (ঐচএনএস):**

লৈবাক অসিগী চীফ জষ্টিস ওইরকখিবা বি আর গভাইগী সর্ভিস মতম ঙরাং লোইশিনখিবগা লোয়ননা মহাক্কী মহুত্তা লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী ৱাংলবা ফম অসি সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী সিনিয়র ওইরিবা জজ সূর্য্য কান্টনা ওইরগনি। ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

# সঙাই ফেষ্টিবেলদা শেলয়াম থাদবা মরম চাদে, শেলয়াম অসি লৈত-লায়র, আই দি পিশিংদা থাদগদবনি : ও জয়

**ইম্ফাল, নবেম্বর ২৪ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ২১দগী হৌরদুনা পাঙথোরক্লিবা মণিপুর সঙাই ফেষ্টিবেল ২০২৫গী মতাংদা ভেটরেন পোলিটিসিয়ন ওক্রম জয়না ফেষ্টিবেল অসি তঙাইফদনা পাঙথোক্লে হায়রবসু মমিংতগী ওইনা পাঙথোক্লম্বা য়াবনি। অদুদি নত্তনা শেলয়াম থাদরিবা অসি মরম চাদে। মসিদা থাদগদবা শেলয়াম অদুনা লৈত-লায়র অমসুং আই দি পিশিংদা থাদবনা হেন্না মরম চাগনি হায়না পাউমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি ইম্ফালগী থাঙ্গাল কৈথেলদা লৈবা এম জি এভেন্যুগী আই দি বি আই বেঙ্ক ওফিসকী অনীশুবা ফ্লোরদা মনিপাল সিগনা হেল্থ ইন্সুরেন্সকী ইম্ফাল ব্রাঞ্চ হাংদোকপগী থৌরমদা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবনি।



ঙসি অয়ূক ও জয়না নৌনা হাংদোক্লিবা ইম্ফাল ব্রাঞ্চ অসিগী মীওইশিংগা পূন্না ব্রাঞ্চ অসিবু হাংদোকপগী থৌরমদা আই দি বি আইগী মেনেজর থৌনাওজম রনেলনা পাউমীশিংদা হায়, লমদমসিগী মীয়াম্না অনা-অয়েক য়াওরকপদা হোস্পিটালদা চঙগদবা শেনফমশিংগী ইন্সুরেন্স মখল কয়াগী খুদোংচাবা পীরক্লি। ঙসি নৌনা হাংদোক্লিবা মনিপাল সিগনা ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

# হাপ্তা কাংজেবুংদা মী ইতাক তাক্লবসু গেটতদি সিক্যুরিটিনা বোদি স্কেনর অমসুং মেটেল দিটেক্টর শীজিন্নদুনা কন্না চ্যেক তৌরি

**ইম্ফাল, নবেম্বর ২৪ (ঐচএনএস) :** কোকোমি অমদি অতৈ লূপশিং য়াওনা আই দি পিশিংনা সঙাই ফেষ্টিবেল পাঙথোকপগী মায়োক্তা ফৈগাক ফৈনা লেপ্পলকপদগী মখোয়বু লাকশিন্নবা সিক্যুরিটি ফোর্সনা টিয়র গ্যাস, স্মোক বোমনচিংবা কাপ্পুনা তানখায়রগা নম্ফুদা পাঙথোরক্লিবা মণিপুর সঙাই ফেষ্টিবেল ২০২৫গী মেন ভেন্যু ওইরিবা হাপ্তা কাংজেবুংদা মী ইতাক তাক্লবসু মসিগী গেটতদি সিক্যুরিটিনা চঙলকপশিংবু বোদি স্কেনর অমসুং মেটেল দিটেক্টর শীজিন্নদুনা চেকশিন্না চ্যেক তৌরি। ...মখা লমায় ৮ কলম...



সঙাই ফেষ্টিবেলগী মরিনি চনবা নবেম্বর ২৪, ২০২৫গী নুমিদাংৱাইরমদা ওইখিবা হাপ্তা কাংজেবুংগী শক্তম

### এম এল এ রামেশ্বর লেজিসলেচর লিদর খল্লক্লে



**ইম্ফাল, নবেম্বর ২৪ (ঐচএনএস):** নেশনল পার্টি অমা ওইরল্লবা নেশনল পিপলস পার্টি (এন পি পি) গী মকোক থোংবা লুচিংবসু ওইরিবা মেঘালয়গী চীফ মিনিষ্টর অমসুং পার্টি অসিগী নেশনল প্রসিদেন্ট কোনড়াদ কে সংমানা থা অসিগী ২২দা আউটর মণিপুর ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

# কোইরেংনা লুচিংবা য়ু এন এল এফকী ৬১শুবা মপোক কুমওন মায় পাক্লা পাঙথোকখ্রে




**ইম্ফাল, নবেম্বর ২৪ :** কোইরেংনা লুচিংবা য়ুনাইটেদ নেশনল লিবরেশন ফ্রন্ট (য়ু এন এল এফ) : মণিপুরগী সেক্রেটরি (পব্লিসিটি) এম শকহেননা থোরকপা চেরোল অমদা লালহৌলূপ অসিগী ৬১শুবা মপোক কুমওন থৌরম মায় পাক্লা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, ঙসি নম্বের ২৪, ২০২৫-নিংথৌকাবা নুমিৎ য়ু এন এল এফ: মণিপুর শাফোংলকখিবগী ৬১শুবা মপোক কুমওন থৌরম পার্টিগী সী ঐচ ক্যু, এম পি এগী জি ঐচ ক্যু, এম পি এগী বট্টালিয়নশিং, মণিপুরগী মনুং ...মখা লমায় ৩ কলম ২

# পাম্বৈনা লুচিংবা য়ু এন এল এফকী ৬১শুবা কুমওন থৌরম ২শুবা বৃগেদতা পাঙথোকখ্রে




**ইম্ফাল, নবেম্বর ২৪ :** পাম্বৈনা লুচিংবা য়ুনাইটেদ নেশনল লিবরেশন ফ্রন্ট (য়ু এন এল এফ) : মণিপুরগী ৬১শুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি ককচীং খুনৌগী হোংবিবানদা লৈবা লালহৌলূপ অসিগী ২শুবা বৃগেদতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসিদা ইম্ফাল রিভিয়ু ওফ আর্টস এন্দ পোলিটিক্সকী সিনিয়র এদিটর প্রদিপ ফাঞ্জৌবম অমদি লালহৌলূপ অসিগী এক্টিং চেয়রমেন থোকচোম খম্বতোননা মথংশিংনা অথোইবা মীথুংলেন অমসুং থৌরম মপু ওইখি। লোয়ননা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

# পি এম জি এস ৱাই ফেজ থ্রীগী মখাদা লুপা ক্রোর কয়া সেঙ্কশন তৌরক্লবসু কন্ত্রেক্ট মুন্নবদা থবক অমত্তা পায়খৎত্রে

**ইম্ফাল, নবেম্বর ২৪ (ঐচএনএস) :**

মণিপুরগী খুঙ্গংগী লম্বী থোং শেম্নবা কুমজা ২০১৯দা প্রাইম মিনিষ্টর গ্রাম সড়ক যোজনা (পি এম জি এস ৱাই) ফেজ থ্রীগী মখাদা লুপা ক্রোর কয়াগী শেনফম সেঙ্কশন তৌরকখ্রবসু ঙসি ফাওবদা টেন্দরগী প্রোসেস লোইশিনবা ঙমদনা লৈরে হায়বগা লোয়ননা কন্ত্রেক্ট মুন্নবদা চাওখৎ থৌরাংগী থবক অমত্তা পায়খৎত্রে হায়না কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট কে মেঘচন্দ্রনা পেন্দবা ৱাফমশিং ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি ইম্ফালগী কোংগ্রেস ভবনদা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা মহাক্না ফোঙদোক্লদুনা মখা তানা হায়, মণিপুরগী হৌজিক ওইরিবা লম্বী থোংশিংগী ফীভম অদুক্কী মতিক ফৎত্রে হায়বসি মীয়াম্না হেন্না খঙনরে। ষ্টেট অসিদা নোংম কাংদনা লম্বী য়াদবগী শেমজিনবীদ্রে হায়না তৌখায়বা, লম্বী শেম্বীদবদগী বন্দগী খোঙজং চঙশিল্লকপা, উফুলনা চৎপা ঙমদবগী অৱাবা কয়া মীয়াম্না মায়োক্লরি। অসিগুম্বা ফীভমশিং অসি



লৈঙাক্না মতম চানা লম্বী শেমজিনবগী থবক পায়খৎপা ঙমদবদগীনি হায়বসি অচুম্বা ওইরে। মণিপুরগী ওইনা কুমজা ২০১৯দা পি এম জি এস ৱাই ফেজ-থ্রীগী মখাদা লুপা ক্রোর ৪০৪ অমসুং অতোপ্পা পোর্শন অমদনা লুপা ক্রোর ২০৫ সেঙ্কশন তৌরক্লগা লৈরবনি। অদুবু মসি বি জে পি লৈঙাক লৈরিঙৈদগী ...মখা লমায় ৬ কলম ৭

### ৱাটর সপ্লাইদা শোকহল্লে

**ইম্ফাল, নবেম্বর ২৪ (ঐচএনএস):**

লৈঙাক্কী পি ঐচ ঈ দি লোয়শঙগী এগজিক্যুটিভ ইঞ্জিনিয়র (ৱাটর সপ্লাই মেন্টিনেন্স দিভিজন নম্বর-১) না ঙসি থোরকপা চেরোল অমদা থাঙ্গাল কৈথেল খুয়াথোং লম্বী (হায়বদি জ লান প্রোভিজন ষ্টোর জঙ্কশন) দগী খুয়াথোং ত্রাফিক পোইন্ট ফাওবা কংলা দব্লিয়ু টি পি সপ্লাইনা ঈশিং পীরম্বা অদু হৌজিক উকু চনবগী চথরক্লিবা থবক অসিনা শোকহল্লে হায়রি।

অমরোমদা, খুমন লম্পাক দব্লিয়ু টি পিদগী ঈশিং পীরম্বা মীয়ামদসু আপীল ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

| তেৎপাউ | স্লোগান |
|---|---|
| “মীনাৎনা ঈনাৎতগী হেন্না চাওখৎলি খনবা ৱাখল থাদোক্লসি” - ইয়োল | |

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

# কৈদৌবগী সঙাই ফেষ্টিবেল পাঙথোক্কদৌরিবনো ১সুং বিহারদা ভোট কারগা মণিপুরনা হরাওরিবনা করিগীনো : ফিলেম ওংবী প্রেমাবতি

রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংগী
**হকথেংনবা পাউদম**
কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী সেকেন্দ টুলিবারিদগী খুঞ্জা

(হান্নগী মখা...)

মে ৩, ২০২৩দগী কুকি-জো লমহেন তুহেনবশিংনা মখোয়গী মিলিটেন্টশিংগা খূৎশম্নদুনা খঙহৌদনা য়েলহৌ ফূরুপ মীতৈশিংদা ওনশিন্দুনা চথরকখিবা তমথীরবা লান অসিগী থৌদোকশিং হকথেংননা মায়োক্লরকপদগী থৱায় হিংনবগীদমক কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী সেকেন্দ টুলিবারিদগী লাঞ্জেল্লক্তুনা হৌজিক চহী অনী মখায় হেল্লক্লবা ফাওবা লম্বোইখোংনাংখোঙদা লৈবা লৈঙাক্কী মণিপুর ত্রেদ এন্দ এক্সপো সেন্টরদা হাংবা রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌরক্লিবী মশাগী চহী ৩০ রোম শুরবী ফিলেম ওংবী প্রেমাবতিনা পাউচে অসিদা মখা তানা হায়, ঙসি ফাওবা চহী অনী মখায় হেল্লক্লবসু লান অসিগী ৱারোইশিন পুরক্ত্রিঙৈগী চৈরক্তা কুকিশিংগী মশীং য়াম্না লৈরে হায়বগী পাউ তারে। হান্নদগী হেনগৎলে হায়নসু তারে। কংলাতোংবীদগী চীংথকলোমদা কাখৎখ্রবদি লৈরিবা খুলশিং অদু কুকিগী খুল ঙাক্তা ওইরবনি। ঐখোয়গী ইকুবোকহোয়না হায়রম্বদা হান্নদি কাংপোকপীদা কুকিশিংগী মশীং য়াম্না লৈরমদে। হৌজিক্তদা য়ামখৎলকখিবনি হায়। অদুবু খঙহৌদনা য়ামখৎলক্লিবা কুকিশিং অসি কদাই-কদাইদগী লাকপনো হায়বা খঙদে। হান্নদগী লৈরকপা কুকিশিংনা খরা ঈংবগুম তৌই অদুবু অনৌবা হেনগৎলকখিবা কুকিশিংনা অয়াম্বা মীতৈদা ওনশিন্দুনা খৎনবা হৌরকই। মখোয়দি কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টতা মখোয়না লৈরিবা লমশিং অদুদা পংতা তাশিন্দুনা লৈশিনবনি। মখোয়গী খুল চাউরগা লোইরে অমসুং য়ূমথোঙ মশীং হেনগৎলক্লগা লোইরে হায়না হোৎনরকপনি। মসিমক্না করিগুম্বা থৌদোক ৱাথোক অমা থোরকপা মতমদা মখোয় পুম্নমক হৌনদুনা গ্রুপ ওইনা হেক্তা হৌরকপনি হায়রি।

ফিলেম ওংবী প্রেমাবতিনা মখা তানা হায়, হৌজিক অসুক কুইনা রিলিফ কেম্পতা লৈহল্লক্লিবা ঐখোয়বু লৈঙাক্না হোংদোক্তুনা লৈহন্নবা থৌরাং পায়খৎলে হায়না তারে। অদুবু ঐখোয়বু ঙাইহাক লৈতনা হোংদোক-হোংজিন তৌদুনা কোইথাং থাংলগা কয়াম কুইনা লৈহনবীখিদোইনো হায়বসি লৈঙাক্কী মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংদা হংনীংই। মখোয়না ঙাইহাক লৈরগা অমা হায়বা অদুগা ঙাইহাক লৈরগনা অমা হায়রকপগী থৌওং অসিনা রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌরক্লিবা ময়াম্না আই দি পি হায়দুনা শকখঙবীরবা ঐখোয়গী পূক্নিং ৱাখল লৈতাহন্দ্রে হায়নসু মহাক্না পাউচে অসিদা থম্মোয় শোক্না ফোঙদোরকখি।

# আই দি পিশিং ময়ূমদা হঞ্জিলহন্দ্রিবা ফাওবা সঙাই ফেষ্টিবেল খক্তা নত্তনা অচৌবা কুম্মৈ-হরাওশিং থিংবীয়ু



**ইম্ফাল, নবেম্বর ২৪ (ঐচএনএস) :** মে৩, ২০২৩দগী মণিপুরদগী সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশন লৌগদবনি হায়দুনা কুকি-জো লমহেনবশিংনা মীতৈ ফূরুপ্তা ওনশিন্দুনা চথরক্লিবা অকনবা লানগী থৌদোকশিংনা মরম ওইরদুনা হৌজিক চহী অনী মখায় হেল্লক্লবা ফাওবদা রিলিফ কেম্পশিংদা চঙজফম লৌরক্লিবা আই দি পিশিংবু মশাগী ময়ূম-ময়ূমদা হঞ্জিলহন্দ্রিবা ফাওবা সঙাই ফেষ্টিবেল খক্তা নত্তনা অচৌবা কুম্মৈ-হরাওশিং থিংবীয়ু হায়না বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী য়ুনাইটেদ ৱিমেন দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেশন (য়ু দব্লিয়ু দি ও) গী সেক্রেটরি আর কে তোম্বীসনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি নিংথৌখোংগী মাঙ্গোলঙানবী কোলেজদা হাংবা রিলিফ কেম্প ওন প্রজেন্ট সিচুএশনদা চঙজফম লৌরক্লিবা আই দি পিশিংনা মণিপুরগী প্রসিদেন্টস রুল লৈঙাকপু লুচিংলিবা ...মখা লমায় ৩ কলম ৬